# মণিপুরী নেরেটিভ আর্টসকী মশক নাইরবা লমদম অসিগী ৱারী লীবা কৈনৌ ভীম

- নানি

ৱারী লীবা হায়বা আর্ট অসি মণিপুরদা ১৭ সেঞ্চুরিগী মতমদগী মতমদুগী লাই ওইখ্রবা অহল-লমন কয়ানা শেমগৎচরম্বা তাঙলবা নেরেটিভ আর্ট ফোর্ম অমনি। লমদম অসিদা পীথোরকপগী মতিক ময়াইনা য়োল্লবা তাঙলবা মশক নাইরবা মীওই কয়া অমা পোকখ্রে। অদুগুম্লবা ওজাশিং অদুনা থম্বীরম্বা তাঙলবা তোঙান তোঙানবা ট্রেদিসনল আর্ট ফোর্ম কয়াগী খুদোল কয়া অদুমদি ঙসিসু লেঙদনা লৈহৌরি। ময়ামশিংদুগী মনুংদা ৱারী লীবা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। ৱারী লীবা হায়বা অসি মপুং ওইনা রমায়ন অমদি মহাভারতকী ৱারী পরিংদা লমদম অসিগী ওজাশিংনা মাগী মাগী হৈ-শিংবা লীবগী, পাউ তম্বগী, ৱারী ৱাতাই শানবগী মওং, কপ্পা, নোকপা, অশাউবা, অকিবা, অঙকপা, তুজুংবা মখল কয়াগী মহাও পীনবা হোৎনৈ। মহাও মখল শুনা য়াওরবা ৱারী লীবা হায়বা অসিগী মশক নাইরবা ওজা কয়া অমা লমদম অসিদা পোকখ্রে, কয়া অমসু লৈখিদ্রে। মতিং লৈনা, মান্দপ অমদা নুমীৎ কয়ানি লেপ্পুনা নুমীৎ খূদিংগী ৱারী মপুং ফানা লীনরম্বা, তানরম্বা অদু ঙসিদি তপ্পা তপ্পা লমদম অসিদগী শিথরক্লি। ৱারী লীবা হায়বা অসি মপুং ওইনা, কাঙগী মতমদা শুংশোই শোয়দনা নুমীৎ মাপননি অসিমদি কাঙ চিংবা মান্দপ খূদিংদা লীনরম্মী। লুহোংবগা মরী লৈনবা হৈজিং খরাই, স্বষ্টি পূজাদগী চিংলগা থৌরম কয়াগা মরী লৈননা ৱারী লীবা থৌরম পাঙথোক্লে। লৈকায়গী অহল-লমন কয়ানা তাজনবা কনাগুম্বা খরনসু থওইনা ৱারী লীবা ওজাশিং কৌদুনা থা অমা চুপ্পা নুমীৎ খূদিংগী ৱারী লীবগী থৌরম শীনবী। অহল-লমন পুম্বনা য়াম্না থৱায় য়াওনা তানৈ। অহল খক্তা নত্তনা নহাশিংসু ৱারী লীবসি তানৈ। মদুগী মরক্তা ৱারেংজরিবা ঐহাকমকসু য়াওজরকখি। য়াম্না থৱায় য়াওনা তাজরকই। ৱারী লীবা হায়বসি য়াম্না পামজরকখি। ৱারী লীবা হায়বা আর্ট অসিগী মনুংদা হায়ফম খঙদবা, য়াম্না নুংঙাইবা মীৎতা থোক্লিবা থৌদোক খূদিংমক শং শং হেক উহনবা ঙম্বগী আর্ট অমা য়াওরি। অমুকসু পুক্লি পায়না নোকচৈ, অমুকসু অহল-লমন ময়ামগী মতুং ইন্দুনা কপচরকখি।

ৱারী লীরিবা ওজাশিংনসু মাগী মাগী ৱারী লীবগী টেক্নিক ময়াম অমা শীজিন্নদুনা তারিবা পুন্নমকশিংবু নুংঙাইহন্নবা য়াম্না ৱানা হোৎনৈ। য়ামখ্রবা মহাভারত, রমায়নগী মনুংদা য়াওরিবা কেরেক্টর খূদিংমক য়াম্না মান্না মান্না শারগা ৱারী শানহল্লি। মদু তারিবশিংনা কেরেক্টরশিং অদু তোখায় তোখায়না খায়দোক্লগা তাই। কেরেক্টরশিং অদুগী মরক্তা মীচঙ চঙনিংবগী মায়কৈদা য়াওশিন্দুনা ৱারীদু হেন্না থৱায় য়াওশিন্না তানৈ। ভীমগা দুর্য্যধোনগা লাউনদুনা ৱারী শারকপা, ভীমনা থৌগল্লোন ইকায় কায়দনা ঙাংলকপা ৱা ময়াম অদু তাবদা ভীম হায়বা অসি সুমাইনা তৌবোইরে হায়বা ফাওবা ৱাখলদা লামশিন্দুনা শক্তম ফাওবা উরকই। দ্রামা লীলাদা উৎলিবা ভীম অদুগা ৱারী লীবা ওজাশিং অদুনা মখোয়গী ষ্টোরি টেল্লিংগী ষ্টাইল অমদি দিজাইন কয়াশিং অদুনা হেন্না অতাবশিংদা মশক উদনা ৱাখলদা শক্তম ওইনা লাকশিনহনবা ঙম্মী। ৱারী লীবদা য়াম্না মরুওইনা চঙবা পোৎচঙ অমা হায়বা তারবদি মোন অঙৌবা অমনি। মোন অসিনা লীরিবদসু তারিবদসু অঙকপা ইনর্জি অমা খুদক্তা পীবা ঙম্মী। ৱারী লীরিবা মহাক মথন্তনা য়ামখ্রবা কেরেক্টর ময়ামশিং অদু শাদুনা, তারিবশিংদা অনৌবা ৱাখল্লোন, ফিলোসোফিকেল অমদি রিলিজিয়স আইদিয়া কয়া পী। Rhythmic নেরেটিভ, দ্রামাটিক টেক্নিকস, হুমোরনচিংবা কয়া অদুগী মীহুল অদু চোংহন্দুনা য়েৎ অমদি ওইদা মাতা মাতাগী ওইনা থমদুনা শীজিন্নরিবা মোন অদু পায়দুনা ৱারী লীবগী ক্লাইমেক্স অদু পুখৎনবা হোৎনৈ। মসিনি ৱারী লীবগী ফজরবা আর্ট।

লমদম অসিগী ৱারী লীবা ওজাশিং অহল-লমন থুপখ্রবা কয়া অমা লৈখ্রে। ঙসি মীয়ামদা খজিক্তং পাউদমজরিবা অসিনা ইম্ফালদগী টিদ্দিম রোদলোমদা চুম্না হায়থরগা বিষ্ণুপুর য়ৌদ্রিঙৈদা লৈরিবা কৈনৌ হায়রিবা মফম অদুদা হৌজিকসু মঙাল নাইনা লৈরিবা ওজা তখেল্লম্বম ভিমনি। ওজা অসিগী অশেংবা মমিংদি তখেল্লম্বম রতনকুমার হায়না কৌরম্মী। অদুবু ওজা অসিনা



ক্লাস ফোর তম্লকপা মতমদা ওজাগী মবোক্তা নোংমা চাক য়াম্না লাম্মে হায়রুবদা, চাক থিগে তৌবদা, অবোক চাকতু থিরুরনু, চফুদু ওইনা পায়রগা চাজরগে হায়রুবদা মবোক্না য়াবদগী চফুদু ঙক্তা য়ানশিন্দুনা কোৎ কোৎতুনা চারকখি। মহাক্কী মতৌদু উবদা মবোক্তুনা 'ইশুসি মবুক য়াম্না চাউই হায়দুনা ভিম কৌরগে হায়না থোনখিবদগী হৌজিক ফাওবদা ভিম হায়দুনা মীয়াম্না খঙনরি। ওজাগী ভিম হায়বা মীংসিগা ওজানা ৱারী লীবগী শিনফম অসিদা চঙলকপা অসিগা য়েংলগদি য়াম্না চান্ন-চুনবা হায়বদু ওইরি। ওজা অসিগী মায়থোং-শিনফম য়াম্না য়াম্মী। ফি তুবা (টেল্লরিং), য়ুম শাবা, সনা শাবা হায়রিবা শিনফমশিং অসিদসু ওজা থোইদোক্লা মমিং চৎলি। অদুবু ৱারী লীবগী মতৌ অসিদি ওজানা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা মশাগী ঈদা লুদা তোংদা য়াওরক্লবদৌনা তৌখি। অঙাং ওইরিঙৈদা স্কুল চৎপদা লাইরিক খাও লোৎশিল্লম্লগা মীগী ৱারী তাবা মফমদা চঙশিন্দুনা ৱারী তারকখি। ওজাগী অপোকপনা স্কুলদা লাক্তে হায়না হায়রকপদগী ওজাবু চৈখিবা কয়াগী ৱারী নুংফাওননা পাউদম্বীরকখি।

ৱারী লীবরোমদা চঙশিল্লকপসি, ৱারী হায়বা অসি ওজা অমগী মফমদা তম্লুদ্রবসু ৱারী লীবসি হৌরকখি। নোংমা ওজানা ফি তুবগী তম্বীরিবা ওজা অমগী মচানুপা লুহোংবগী নুমীৎতা ওজানা খুদক্তা শীন্দুনা মীয়াম মাঙদা ৱারী লীবসি হৌখিবনি। ওজানা মতমদুদা লীবীখিবা ৱারীদু রমায়ন, মহাভারত নত্তে, ঐখোয়গী ফুঙ্গা ৱারীনি। চিংলাইগী ৱারী অদু নুমীৎতুদা ওজানা ৱারী লীবা আর্টকী মওংদা লীবীখি। নুংঙাইরিবদি নুপী থিল্লকপগী ময়াম য়ৌ য়ৌ তৌরকপদুদা ওজানা লীরিবা ৱারীদু কাউথোকখিদুনা নিংথৌ অমদি মন্ত্রী মচানা মহৈ তম্বগী ৱারীরোমদা থোক ওন্থদুনা মখা লীথখি। মতমদুদা অতাবশিংনা হায়নখি- হৌজিক্তা চিংলাইগী ৱারী লীরম্মগা নিংথৌ মচাগী ৱারী ওইনা মখা শমথরক্লেনে হায়না। ওজানা ইহান হান্না ওজা বোরিদুনা ৱারী লীবা তমখিবদি কবো ৱাকচিংদগী ওজা ঐগ্যা বিরচন্দ্রগী মফমদগী তমজবা হৌখি। ঙসিদি ওজা তখেল্লম্বম ভিম অসি রমায়ন অমদি মহাভারতকী ৱারী লীবদা থোইদোক্লা মীয়াম্না শকখঙনবা অমা ওইরে, ওজানা লীবা ৱারীসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিগী মীয়াম্না শীজিন্নরিবা লোনদা পুদা অমদি থৌদোক ৱাথোকশিং পুশিন্দুনা লোকেলিটিগী ওইবা মহাও অমা পীবা ঙম্মী। ওজাগী ৱারীগী পরিংদা মপা মপা চানা ৱারীগী মশা কয়া হাপচিন্দুনা লীরিবা ৱারী অদু মশা নোইথোকহল্লি। লোয়ননা নুংঙাইবা ফাগী কয়া মরাং কায়না হাপচিন্দুনা তাবীরিবা পুন্নমকশিংবু নুংঙাইহল্লি। লৌশিংগী ৱারোল, পূক্লিংগী ৱারোল, লৌশিংগী মথৌ কয়া হাপ্পুনা লীবী। ওজাগী ৱারী তারুরবা মতুংদা অতাবশিংদা অনৌবা লৌশিং কয়া ফংবা ঙম্মী। মহাভারতকী ৱারী হায়বসিদি মীওইবগী য়ুম্বানলোন, পুন্সিরোল, থকখি-খাশি, থৌগল্লোন, ধর্ম্মনিতি, রাজনিতিনচিংবা পুন্নমকশিং অসি মরাং কায়না য়াওরি। ঙসিগী মীরোল অসিদসু ৱারী অসিগী লীখুন মমুৎ তানা তাজবা মতমদা পুক্লিংদা য়াম্না নুংঙাইবা তোপ তোপ্পা মহাও অমা পীবা ঙমল্লিবনি, তৌবগীদি ৱারী লীবীরিবা ওজাশিংগী হৈ-শিংবগী মখাসু য়াম্না পোল্লি, ওজা ভিমগী ৱারীদি অসিগুম্বা নুংঙাইরবা মচল-মথেল কয়ানা পুময়োম য়োম্বা ৱারী খুৎলি অমনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওজাগী ৱারী থৱায় য়াওনা তানরি।

নুংনাংলিবদি, অসুক মতিক ময়াই চেনখ্রবা কান্নখ্রবা, নুংঙাইখ্রবা আর্ট ফোর্ম অসি ঙসিদি তপ্পা তপ্পা শিথরকপদৌনা তৌরি। মসিমক্না ৱারী লীবা হায়বা অসি পুন্মাঙ মাঙখ্রে হায়বা অদুমক্তি নত্তে। ময়েংদি হান্নদগীদি খরা তাথরক্লে। অদুবু আর্ট ফোর্ম অসি অমুক হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবদা ওজানসু অঙম্বা থৌদাং পাঙলি। অনৌবা মীরোল অমা পুথোক্লবা তাকপী তম্বীবগী থবকসু কন্না চৎখ্রি। তাঙলবা লমদম অসিগী মশক নাইরবা ওজাগী পুন্সি নুংশাংবা পীনবীদুনা মখা তানা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা মণিপুরী নেরেটিভ আর্টকী মরু ওইরিবা ৱারী লীবা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসি হেন্না মতিং লৈহনবীবা ওইরকসনু হায়না নীজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯। ০৩। ২০২৩ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৮.০৮ ফাওবা লমতাগী ২৭ নি পাল্লি, মতুং ২৮ নি পাল্লনি।

মেষ: অয়েৎপা লৈরম্বা ফরনি, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইজবা, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু মীতোপ থাজবদি লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: পাঙনীংবা থবক পাঙবা য়াগনি-চিংনগনু অমদি মী ঙাইগনু। হুরানবনা শেন্নবদি লৈ অদুবু লাকচবীনবদি লৈতে। অফবা মরুপ খরসু লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী খরদি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিথুন: অঙম্বনা নরল মৎপিখিবা য়ানা লৈ-চরাঙনগনু। মতাং চাদনা অনম তানবা অমদি থৌনা ফুদোক্কে খনগনু। মোং হাদবনা খ্বাইদগী ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবনা অমা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: নঙগী ওইবা মী মশক খঙনা লোয়নৌ নৎত্রদি য়েৎনদুনা/শাওনদুনা মাঙগনি। পল্লম্বা অরং-অরাক ফাওবা ফংগনি লৈ- লৈতানা থৌ পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: নথক থোংবগা লান্না খন্নবা লৈগনি-চিন কনগনু অমদি মীতোপ থাজগনু। অরুবা থবক্তংদি মায় পাক্কনি, লল্লোন ইতিক্তসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্য: ৱারুগনু অয়াম্বা লমদা মায় পাক্কনি। মীয়ামগা মরী ফগনি, শেল থুম কান্নগনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি অনৌবা থৌরমদা ৱাখল থাদবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: ৱাফংনবা চরাঙনবা অমদি হেন্না আশা চাওবদি মতাং চাদে। অদুবু মফম চাবদা শেল থাদবা, ইমুংগী ৱা লৌবা অমদি থৌনা হন্দবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খজিক্তং ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক: য়েৎনবা পামগনু অমদি অঙম্বগা মুক্লগে খনগনু। লৌশিং অমদি অচুম্বনা পাঙ্গলনি-শোয়দনা মায় পাক্কনি। মরুপ মপাংশিংনা চানবী।
লৈশা পাখংশিংগী- খরদি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: হন্থবা লোইনরদি চিংনবা হেনগৎকনি। শকখঙদবা/অরাপ্পা চৎলদি হুরানবদৈ চেকশিল্লু। শেল থুম, মীয়ামগী মতেংদি অদুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: শেল থুম ফংবা, মতাং চানা থৌনা ফুদোকপা ঙম্বা অমদি মরুপ মপাংনা থাগৎপিবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মরম খঙদনা হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাখিরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: হরাওবা, নীংজবা মপা চাবা, ৱাখলসু থোকপা নুমিৎনি। অদুবু চিন ফবদি নচাক নরল ময়েং তাগনি, য়েৎনবনা খুরৌ থাংবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা খল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মীন: লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি- নথক থোংবা/লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাউ। মরী মতা, নক্লবগা লোয়ননা থৌপাঙবা কান্নগনি। মীয়াম্নসু য়ারি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# লিটরেরি ক্যুইজ-৬১গী ৱিন্নর থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাংনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচএনএস) :

হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা লেপ্পা লৈতনা চৎথরকপা লিটরেরি ক্যুইজগী ৬১শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাউ কমপ্লেক্স, চিংমৈরোং মমাঙ লৈকায়দগী থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাংনা ওইখ্রে।

লিটরেরি ক্যুইজগী ৬১শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, পুন্সি খোঙচৎ অসিদা মীওইপোক ওইনা পোক্লুবনা লানফম কয়ানি মায়োক্লরিবা। হিংনবগী লানফম অসিদা মায়োক্লরিবা পুন্সিনি মীওইবা ওইনা তাইবংদা। মালেম লৈমনা লুম্বরা? কংলৈ ইমানা মরুম্মী। কোরৌ মানা ৱাংবরা? পন্থৌ কোলোইনা মৱাংই। ক্বাক ক্বাক করি ক্বাকনো ঈকায়বা অদুক খঙদবা। নরমসু নত্তনা নরম শারিবা, ইরমদম লৌগে লাকপরা? চীংবু তেমগে লাকপরা? ঈংনা লৈজবা মণিপুরবু মরুভূমি ওইহনগে খন্না লাকপরা? লমগী ষন মচি শাংলকখিনু। অউবা খূদিং ৱাইরুনু, মপু পাল্লি খঙদবরা? লৈরাং নত্তে শাৎলিবদো হু পাম্বীনি কাউগনু। মীচা শিনবা পীজবা হু নচা শিনি কাউগনু। নখুৎনা থারিবা হু পাম্বীদুনা তানলকপা নরন অদুনা নচাগী কোফিনদা হাপ্পা নত্তনা কান্নরোই। নচাশিং অশিবগী লৈপাক্তা লৈখ্রবদা তানশিল্লিবা নরন কৈদৌরুনি। মালেমসে শাবনা মৈশা লাংলকপদা নহাক য়াওরোই খনগনু।

ঐহাক্লা অমুক হন্না হুইয়েন লানপাউগী ৱিন্নর ওইরকপা থোইনা হেন্না নুংঙাইজৈ। মখা তানসু লেপ্পুনা য়াওজখিগনি। ঐগী পামজবনা লেপ্পুনা য়াওজবা ক্যুইজনি। হুইয়েন লানপাউনা ঐখোয়না খঙদবা কয়া অমবু খঙহনবীবগীদমক ঐগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎচরি অমদি মখা তানসু মীয়ামগী থৌগল মপুং ফানা লেপ্পুনা তৌবীখো। ঐগী শিনফমগা চান্নবা ঙাইহাক পোত্থাবা পেপর অসি পাদুনা নুংঙাইহল্লি। য়াওরক্লিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম থিবদসু ৱাসু ৱাই নুংঙাইবসু ফাওরকই। অদুমপু ঐখোয় পাউখুম খুল্লিবশিংসে য়ামদবসিদা নুংঙাইতবদি অদুম লৈ। পারিবশিংসু য়ারগদি পাউখুম থিবীদুনা শরুক য়াবীয়ু অদুগা ঐখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নসি।


হৌজিক ঐখোয় মণিপুরদা চেঙ সুপর ফাইন ফংনদবগী ঈরাং লৈরিবসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লায়রবা মীয়ামগীদমক্তা লৈখিবা লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অথুবদা লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং ফংহনবীয়ু। মীয়ামগী ঈহৌ ঙাইবীগনু। হৌজিক নোং তাদবনা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং, ঈরুজনবা, ফিশু-ফিজাম্নবা ঈশিং লৈতবগী অৱাবা কয়াসু মায়োক্লরি। মীয়ামদা টৌটি ঈশিং ফংদবগী প্রাইভেট ওইনা তাঙনা লৈনরি। অদুবু লুরিবদি তাঙলবসু তাঙনা লৈনরিবা ঈশিং অসিগী মমলসু লৌনিং লৌনিংবা লৌনরি। মীয়ামদগী মসিগী মমল অসিনা কনানা কন্ট্রোল তৌরি। কদায়দগী লৌরকপা অফবা ঈশিংনো হায়বসু খঙদে হংবসু হংনদে। ঙসি হায়খিবসিনা ঙসিমক ফংনদে নুমীৎ ২/৩ চঙনরি। মসিসু মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু। চীংদা মরু কোক্তুনা লৈখিবনা হৌজিক ঐখোয়না অঙ্গৎ-অশাদা অহোংবা য়াম্না উরিবসে নুংঙাইজদে। অদুনা লাম্মে থাদুনা উ কয়া য়ান্থৎপীরিবশিং ৱাখল খরা তাবীয়ু। ঐখোয় নখোয় পুন্না নুংঙাইনা হিংমিন্নখিসি। দ্রগ লল্লোন ইতিক তৌদুনা নুংঙাইগনি খনবীরিবশিং নখোয় নখোয়গী খোঙদু অথৌবা লিক্লি মচেৎকী মথক্তা লেপ্পিবনি কাউবীগনু। নখোঙদা খক য়ুবা নত্তনা করিগুম্বা তুশিল্লক্লবদি অকায়বা লীক্লিসে নহাক্কী চাকখাও য়ৌখিনি কাউবীগনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।




Title : An Evening Sky
By : Laishram Hayden
Class : III Sec : D Roll No : 7
School : Pitambara English School




Title : Angry Bird
By : Chandam Poireinganbi Chanu
Class : III Roll No. : 1
School : Praja Higher Secondary School



Title : Goku SSJIOO and Ultra
By : Lenin Loitongbam
Class : VI Roll No. 16
School : The Youngster Dynamic English School



Title : A Village Scenery
By : Obey Singh Kshetrimayum
Class : V Roll : 3
School : The K.E. Blooming Institute, Charangpat




Title : A Sasuke
By : Robert Waikhom
Class : V Roll No. : 10
School : The K.E. Blooming Institute, Charangpat



Title : A Flower
By : Takhellambam Henthoiba Singh
Class : Pre Nursery Roll No. : 99
School : RG Academy Lamsang



Title : Pena
By : Telheiba
Class : VI Roll No. : 21
School : Maheilen Education Centre




Title : Idian Flag ang Russian Flag
By : Thounaojam Luwangba Meitei
Class : II Sec : B Roll No. : 6
School : Kid's Foundation



Title : A Duck
By : Tonanbam Sinthoibi
Class : K.G. Roll No. : 20
School : Kangleipak Modern School, Singda




Title : Scenery
By : Chandam Selina Devi
Class : II Roll No. : 1
School : Kangleipak Modern School



Title : Cyclistic Flower
By : Nganthoi Khwairakpam
Class : V Roll No. : 6
School : Kangleipak Modern School



Title : Scenery
By : Ch. Jenson
Class : II Roll No. : 21
School : Kangleipak Modern School




Title : Scenery
By : Kh. Lanchenbi
Class : II Roll No. : 12
School : Kangleipak Modern School



Title : Scenery
By : A. Ahenba
Class : II Roll No. 3
School : Kangleipak Modern School



Title : Scenery
By : Kh. Telheiba
Class: II Roll No. : 5
School : Kangleipak Modern School



Title : Scenery
By : Lanchenbi Irengbam
Class : I Roll No. : 1
School : Kangleipak Modern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।